## লাংবন হৈশোই অমসুং চরা তন্বা পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৪ (ঐচএনএস): সনা কোনুংগী নিংথৌগী মশিলগী মনুং চন্না সনা কোনুংগী লাংবন হৈশোই অমসুং চরা তন্বগী থৌরম ঙসি উত্রা শঙলেন সনা কোনুংনা শীন্দুনা পাঙথোকখ্রে।

উত্রা শঙলেন সনা কোনুংদা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা অঙোম নিংথৌ অমুবীনা লাংবন হৈশোই তন্বগী থৌরম অমাইবা নিংথৌজম ইবোচৌগা লোয়নননা পাঙথোকখি।

থৌরম অদুদা উত্রা শঙলেন সনা কোনুংগী অমাইবা নিংথৌজম ইবোচৌনা হায়খি, লাংবন থাগী ওইনা নিংথৌরেলনা মপী-মপা শক্তুনা লাংবন হৈশোই তন্বা অমসুং লাংবন চরা তন্বা অসি তৎপা কাংবা লৈতনা ঙসি ফাওবা চত্থদুনা লাক্লি। মীতৈ লৈবাক্তা মপল, পন্থৌ লৈত্রবশিংদি মচা পিবা থল্লমদবা অমদি মচাশিংনা কৎপা ঙমজদ্রবা কয়াগী মপী-মপা শাদুনা নিংথৌনা মীয়ামগীদমক পাঙথোকপা অমনি। য়েক তরেৎকী লৈখিদ্রবশিংগী পলেম লৈত্রবসু পলেম শাবা, পন্থৌ লৈত্রবসু পন্থৌ শাদুনা লৈবাক নিংথৌনা থৱায় য়াওদ্রবা য়েক তরেৎকী মীওইশিংগী মফমদা হৈরাং-লৈরাং তমদুনা লাংবনগী হৈশোই তন্বনি। লৈখিদ্রবা থৱায় মীয়ামদুনা হরাও তয়াম্না ঈংনা চিক্লা লৈবা অমদি তাইবং মচাশিংদসু নুংঙাই-য়াইফনবা থৌনিবনি হায়খি।

## মীয়াম পুন্না খন্ন-নৈনবা মীফম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৪ (ঐচএনএস): ষ্ট্রিমলাইনিং এদ্যুকেসন ফোর য়ুথ হায়বা হিরমদা নোংমগী ওইবা মীয়াম পুন্না খন্ন-নৈনবগী মীফম অমা ঙসি জি এম হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসিগী মতাংদা এম আই টি এস এন এগী ফাউন্দর চিরোম মৈরাবনা ফোঙদোকখিবদা, এম আই টি এস এন এ, এম ও টি ২০১৯ হায়না মিংথোনবা থৌরম অসি এম আই টি এস এন এ মেনেজমেন্ট টিমনা শীন্দুনা পাঙথোকপনি। ৱাঙাংলোয়শিংনা ইনখৎলক্লিবা নহাশিংদা মশানা মশাবু থবক পীজনবগী ৱাখল্লোন লৈনবা ৱাফম কয়া থমগনি। মতমগা চান্নদবা লাইরিক তন্বীবগী কাঙলোন শেমদোকপা, ভোকেসনল ট্রেনিং অমদি স্পোর্টস, আর্টকী লমদসু মীৎয়েং থম্নবা চঙশিল্লক্লিবনি। স্কুল, কোলেজ কয়া লিংখৎলকপা অমদি ট্যুসনগী চৎনবী লাকপশিংগী মতাংদসু ৱাফম কয়া থম্বনি। থৌরম অদুদা সোসল সাইন্টিষ্ট ডা. ধনবির লাইশ্রম, এদিসনল এস পি, এন এ বি, টি ঐচ ব্রিন্দা, এম য়ুগী প্রোফেসর এন রাজমুহোন, পুজা এলাংবম, ফোর্মর ইন্দিয়ন ফুটবোল কেপ্টেন রেনেদি, গ্লোবিজগী ফাউন্দর রোস্নিকুমার অমদি মেদিলেনগী ফাউন্দর ডা. পিবারেলসু ৱা ঙাংখি।

## মেম্বর খনখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৪ (ঐচএনএস): থোংজু বি সী সীদগী সংলাকপম প্রেশোজিৎপু মণিপুর প্রেস কোংগ্রেস কম্মিটিগী কো-ওপ্টেদ পি সী সী মেম্বর ওইনা খনবদা এম পি সী সীগী প্রসিদেন্টনা অয়াবা পীখ্রে হায়না এম পি সী সীগী সেক্রেটরি (এদমিনিষ্ট্রেসন) এস জীতেননা থোকপা ওর্দর অমনা হায়রি।

অমরোমদা, এম পি সী সীগী জেনরেল সেক্রেটরি (এদমিনিষ্ট্রেসন) এস জীতেননা থোকপা ওর্দর অমগী মতুংইন্না ৱাঙ্গৈই ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলগী ৱার্দ নম্বর ৱানগী মেম্বর ওইরিবা ৱাঙ্গৈই মখা লৈকায়দগী থৌদাম ইবেতোম্বীবু ৱাঙ্গৈই ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিগী ইন্টরিম প্রসিদেন্ট ওইনা খনবদা এম পি সী সীগী প্রসিদেন্টনা অয়াবা পীখ্রে হায়রি।

## খোঙজং হন্দোক্লে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৪ (ঐচএনএস): এল এল আইগী মখাদা লৈবা ইম্ফাল মেন কেনেল অমদি মোইরাং লো কেনেলশিংদা ঈশিং পীবা হৌরগনি হায়না থাজবা পীরকপনা হান্না খোঙজং চঙশিনগনি হায়না তৌরম্বা অদু হন্দোক্লে হায়না লৌমী শিন্মী অপূনবা লূপকী সেক্রেটরি এম বসন্তনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, লূপ অসিগী বিষ্ণুপুরগী এগজিক্যুটিভ কাঙবুগা ৱাটর রিছোর্স দিপার্টমেন্টকী চীফ এঞ্জিনিয়র, ঈ ঈ মেন্টেনেন্স দিভিজন টুগা পুন্না তেরাউরক বিষ্ণুপুরদা লৈবা গোল্ডন ট্রান্স শেন্লিবা ট্রান্সফোর্মর য়েংমিন্নরবা তুংদা থা অসিগী ১৫ দগী ঈশিং পীবা হৌরগনি হায়না থাজবা পীরকপনা খোঙজং হন্দোকপনি। দিপার্টমেন্টনা থাজবা অসি মাঙহনবীগনু হায়নসু মখা তারি।

# সী এম বিরেন য়াওনা ঈ পীদুনা মোদিগী মপোক নুমীৎ হৌদোকখ্রে

# প্লাষ্টিক শীজিন্নবা তোক্লসি, মহুৎ শিনবা য়াবা পোৎ পুথোক্লবা ওন্ট্রপ্রেন্যুরশিং য়াওবা মীফম কৌখ্রে : বিরেন

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৪ (ঐচএনএস): প্লাষ্টিক শীজিন্নবা তোক্লসি, প্লাষ্টিক্কী মহুৎ শিনবা য়াবা অতোপ্পা পোৎলম পুথোক্লবগী মতাংদা ওন্ট্রপ্রেন্যুরশিং য়াওবা মীফম কৌখ্রে হায়না মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা ঙসি বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ওফিসতা পাঙথোকখিবা সেবা সপ্টাহা হৌদোকপগী থৌরমদা ফোঙদোকখ্রে।



বি জে পি মণিপুর প্রদেশনা শীন্দুনা, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মপোক কুমওনগা মরী লৈননা ঙসিদগী হৌরগা থা অসিগী ২০ ফাওবা চত্থগদবা সেবা সপ্টাহা হৌদোকপগী থৌরমদা ৱা ঙাংলদুনা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা হায়খি, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মপোক কুমওনগা মরী লৈননা সেবা সপ্টাহাগী থৌরম তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংদা পাঙথোক্লরি। মণিপুরদসু থা অসিগী ২০ ফাওবা চত্থগদৌরি। চয়োল অমা চুপ্পা চত্থগদৌরিবা অসিগী মনুংদা ব্লদ দোনেসন, ফ্রি মেদিকেল কেম্প, লম-তূ লু-নালহনবা, ইনভাইরনমেন্ট কনবগা মরী লৈনবা থবকশিং অমদি প্লাষ্টিক শীজিন্নদনবগী কেম্প্যেন কয়া চত্থগদৌরি। চয়োল অমা চত্থগদৌরিবা থৌরমশিংগী মনুং চন্না ঙসি ঈ দান তৌবা অসিদা শরুক য়াদুনা ঈ পীখিবনি। তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদসু মেদিকেল কেম্প য়াওনা থবক থৌরাং কয়া পায়খৎকদৌরি। হোস্পিটাল অমদি তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা চৎতুনা অচা-অথক, অহাও-অথুম য়েন্থোকপগী থবক কয়াসু চঙশিল্লক্কদৌরি। প্লাষ্টিক শীজিন্নদনবগী থৌরাং অসিসু য়াম্না মরুওইবা অমা ওইরি। চীফ মিনিষ্টরগী ওফিসতসু প্লাষ্টিক শীজিন্নদনবগীদমক প্লাষ্টিক্তা হানবা ঈশিং বট্টল থল্লরোই। ঈশিংগী ঝার কমপ্লেক্স অসিদা থল্লগা প্লাষ্টিক নত্তবা গ্লাস শীজিন্নদুনা ঈশিং থক্কনি। মিনিষ্টর, এম এল এশিং লাক্লবসু ঝার অসিদগী অদুম্মক য়ারগা থক্কনি। মসিনা ভি আই পি কলচর হন্থহন্নবগী মচাক অমসু ওইরি। ষ্টেট অসিদা প্লাষ্টিক শীজিন্নদনবগীদমক মসিগী মহুৎ শিনবা য়াবা পোৎলম পুথোক্লবগীদমক ওন্ট্রপ্রেন্যুর য়াওনা মীফম কৌখ্রে।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মপোক কুমওন অসি মীয়ামগী সেবাগীদমক থবক থৌরাং কয়া পায়খৎতুনা মপুং ওইবা থৌরম ওইগদৌরি। ষ্টেট অসিদসু বি জে পি মণিপুরনা মফম কয়াদা প্রোগ্রামশিং পাঙথোক্কদৌরি। ইনভাইরনমেন্ট কনবগা মরী লৈনবা এৱ্যেরনেসসু পাঙথোক্কনি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা ৱা ঙাংলদুনা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী জেনরেল সেক্রেটরি নিম্বসনা হায়খি, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী ৬৯ লকশুবা মপোক নুমীৎ থা অসিগী ১৭ পাঙথোক্কদৌরি। মপোক নুমীৎ অসিগা মরী লৈননা ঙসিদগী হৌরগা থা অসিগী ২০ ফাওবা ষ্টেটসিগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা মেদিকেল কেম্প, ব্লদ দোনেসন য়াওনা প্রোগ্রাম কয়া পাঙথোক্কনি। প্রাইম মিনিষ্টরগী মপোক কুমওন থৌরম অসি মীয়ামগী ওইবা থবক থৌরাং কয়াগা লোয়নননা পাঙথোক্লবা সেবা সপ্টাহা হায়না চঙশিল্লকপনি হায়নসু মহাক্লা মখা তাখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ভাইস প্রসিদেন্ট অমদি হৌজিক্কী প্রসিদেন্ট ইন-চার্জ ওইরিবা সলাম জয়না হায়খি, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মপোক কুমওনগা মরী লৈননা ষ্টেট অসিগী মফম কয়াদা পাঙথোক্কদৌরিবা মেদিকেল কেম্পশিংগীদমক ডোক্তর অমদি ষ্টাফশিংগী তঙাইফদবা লাকপদা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টনসু মতেং পাংবীয়ু। মফম কয়াদা অচা-অথক য়েন্থোকপগী থবকসু চত্থগনি হায়নসু মহাক্লা মখা তারি।

থৌরমদুদা মিনিষ্টর শ্যামকুমার, এম এল এ, টি ঐচ সৈত্যবর্ত্ত, কে এস ঐচ বিরেন, ও লুখোই, ডা. এস রঞ্জন, হৈখাম দিঙ্গোসু শরুক য়াখি। থৌরমদুগা মরী লৈননা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা লুচিংদুনা কাঞ্চিপুরদা লৈবা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ওফিসতা ব্লদ দোনেসন তৌখি। বি জে পি ও বি সী মোর্চাগী মীওই ৭ সু ব্লদ দোনেসনদা শরুক য়াখি হায়রি।

## নিপকোগী কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৪ (এন ঐচএস): বুংতে চিরু কম্ম্যুনিটি হোলদা নেসনল আইদেন্টিটি প্রোটেক্সন কাউন্সীল (নিপকো) গী ১৯ শুবা মপোক কুমওন থৌরম ঙসি পাঙথোকখ্রে হায়না নিপকোগী সেক্রেটরি জেনরেল পেবম বীশম্ভোরনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, থৌরম অদুদা বুংতে চিরুগী চ্যেরমেন থাংলেনহাং থাঙ্গনা চীফ গেষ্ট, নিপকোগী প্রসিদেন্ট টি ঐচ মনিহারনা প্রসিদেন্ট অমসুং নিপকোগী এদভাইজর এল খুপ্লর কোম, বুংতে চিরুগী সেক্রেটরি এম এস ৱারচুংনা গেষ্ট ওফ ওনর অমদি অকুং থোইতক্লা থৌরম অসিগী ফম্পাকথক্তা লেংশিনখি।

নেসনল আইদেন্টিটি প্রোটেক্সন কাউন্সীল (নিপকো) অসি কুমজা ২০০০ গী সেপ্টেম্বর ১৩ দা ইন্টিগ্রিটি পিছ অমসুং য়ুনিটিদা পান্দম থল্লগা লিংখৎখি। নিপকোগী ৱাখল্লোনদি মণিপুরদা খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপশিংবু অফবা মরী থম্নবা হোৎনদুনা পুন্না হিংমিন্নবা পুন্না চাউখৎমিন্নবা, লাইনিং-লাইশোনগী খেন্নবা থমদবা, অচৌবা ফুরুপনা অপীকপা ফুরুপশিংবু হন্থনা য়েংদবা অমদি তুহৎপীরোইদবনি হায়বসিনি।

ঙসিদি নিপকো লিংখৎখিবা চহী ১৯ মপুং ফারে। কুমজা ২০০০ দগী হৌদুনা মণিপুরগী পুৱারীদা শিংনরকপা ইথিল কয়া অমা মায়োক য়াদুনা, থেংনরক্তুনা হৌরকপা লূপনি। লূপ অসিনা মীওইবগী হক কঞ্জনবা, য়েলহৌমীগী পুন্সি কঞ্জনবা, মীহাৎ-মীপুন কয়া চত্থরক্লিবশিং, মণিপুরগী অপূনবগী শক্তম শাগৎনবা হোৎনবদা শরুক য়াদুনা লাক্লি। মণিপুরদা খুন্দামিন্নরিবা য়েলহৌমী ওইনা শক খঙলবা ফুরুপ ৩৬ হেনবনা নুংশি-চান্ননা লৈরম্বদু ঙসিদি মণিপুরনা ইন্দিয়াদা হেক পুনখিবদগী ফুরুপ মনুংদা নুংশিনদনবা শীংচেপ থাবা ঙসি ফাওবা লেপ্তুনা চত্থরি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## লাইওইখ্রবা ইপা-ইপু পুলোন তরেৎকী মফমদা হৈকৎ-লৈকৎ তন্বা, লাংবন চরা তন্বা পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৪ (ঐচএনএস): ২৫ রকশুবা ওইনা লাইওইখ্রবা ইপা-ইপু পুলোন তরেৎকী থৱায়শিংদা লাংবনগী হৈকৎ-লৈকৎ তন্বা অমসুং চরা তন্বগী থৌরম সেলোই লংমাইচীং পন্থৌগী লাইকোলদা পাঙথোকখ্রে।

নোংপোক চীংঙু থোঙ মৈতৈ লাইকোল থলো সীপি লোক সেলোই লংমাইচীং অমসুং ইমা লৈশেম ইনাৎ লোয়শঙ ইম্ফাল নোংপোক্লা শীন্দুনা পাঙথোকপা থৌরম অদু মৈতৈ ফুরুপ পুনশিল্লসি হায়বা পন্থৌগী পাউজেলদা পান্দম ওইদুনা অহলশিংবু নীংশিংবা থৌরম অমনি। পন্থৌগী পাউজেলদা ঙসিদি মৈতৈ ঐখোয় পুল্লসি। ইপা-ইপু পুরোল লাইবু মচা-মশু ওইবা ঐখোয়না নীংশিংদুনা হৈ-লৈ অমসুং লুকলেন কৎলসি। অশিববু অহিংবা ঐখোয়না নীংশিংবগী মতম ওইরে। নীংশিংবা হায়বসিনা ফুরুপ লাইনিংগী খুভম কনবা ঙমগদবনি। ইশাগী পুৱারীবু নীংশিংবা হায়বসি অহিংবা ঐখোয়গী থৌদাংনি। মৈতৈ লাইনিং, মৈতৈ ঐগী ইফুরুপ ইরমদম সলাই তরেৎকী কনফম থোকই। পারী-পুরীগী পুরেল লাইগী মীরেলবু নীংশিংদুনা লাংবন থাদা পু তরেৎকী লুকলেন কৎপনি। হৈরাং-লৈরাং তম্বনি। তম্লিবা অসিসু লমদমসিদা লৈরিবা মৈতৈ ফুরুপকী সলাই তরেৎকী পুরোল তরেৎকী মফমদা তাইবং ওইবা ঐখোয়গী থৌদাং লৌবনি। লীক্লম অসি পুৱারী মনুং চল্লগা লৈকায় লৈকায়গী য়ুমথোঙ য়ুমথোঙ খুদিংমক্তা লাইনিংগী অশেংবা মশক তাকপা ঙম্বগী থৌনা লৈমিন্নসি। লংজবা হৈতবা মৈতৈনি। মৈতৈনা মীখা পোন্দুনা মীগী খদাং মখা থাদুনা হিংলকপা শক্তম অদু ঙসি ওইদুনা লাক্লে। লাইনিংনা নীং-খা তম্না মৈতৈ ফুরুপনা লাই নীংলবা মতমদা ফিরাল থেৎপা ঙমগনি। লাইনিং হান্না কনগদবনি। লাইনিং কল্লবা মতমদা কলচর কনবা ঙমগনি। ফিরাল য়ুংফম খঙগনি। ইমা-ইবেলগী খোঙ্গুল শক তাক্লক্তুনা মৈতৈ ময়োল চোংলক্লে। মৈতৈনা মনা পুংলক্লে। মৈতৈ অরিবা খুন্থোক নৌনা শেন্নকপা হৌরক্লে হায়নসু পাউজেল লোয়নখি।

নোংপোক চীংঙু থোঙ মৈতৈ লাইকোল থলো সীপি লোক সেলোই লংমাইচীংগী প্রসিদেন্ট থোকচোম উলিপানা ফোঙদোকখিবদা, থৱায় পানবা পুম্নমক তাইবং শেম্বা মপুনা শেম্মী। মপুনা শেম্বীবদা তাইবংপানবা ওইনা মৈতৈ ফুরুপপু পোকপীরি। য়েক তরেৎ সলাই তরেৎ লৈজবা অসিগী পু তরেৎকী লাইওইখ্রবা থৱায়শিংদা লাংবনগী থানিল নুমীৎ অসি হৈকৎ-লৈকৎ তন্বা চরা তমজবা ওইনা লাক্লবনি নুমীৎনি হায়খি।

## রিমসকী বোর্দ ওফ গভর্ণরস মীটিং পাঙথোকখ্রে, শেমগৎ-শাগৎনবগী মতাংদা ৱাফম পুখৎখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৪ (ঐচএনএস): রিজনল ইনষ্টিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) কী বোর্দ ওফ গভর্ণরস মীটিং ঙসি ইনষ্টিট্যুট অসিগী হোলদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ হেল্‌ঠ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যের ডা. হর্স বর্ধননা চ্যের লৌদুনা পাঙথোকখিবগা লোয়নননা রিমসকী চাউখৎ থৌরাং কয়াগী মতাংদা খন্ন-নৈনখ্রে।

মীফম অদুগী মতাংদা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা ফোঙদোকখিবদা, চহী ১১ গী মতুংদা ঙসি রিমসকী গভর্ণিং কাউন্সীলগী মীফম পাঙথোকখিবনি। মীফম অসিদা রিমসপু ওল ইন্দিয়া ইনষ্টিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (এইমস) কী থাক্তা পুখৎনবা ৱাফম থমখি। অদুবু এইমসকী মওংদা লাকপা তারবদি ষ্টেট অসিগী সিটকী কোটা অসিদা মাঙজগদবা লৈরমখি। কোটা মাঙজগদবা লৈবা মরম্না করি তৌবা য়াগদগে হায়বদু ঙসিগী মীফম অদুদা খন্নখি। অনা-লায়েংগী লমদা নীংথিনা খুন্মাং চাউশিনহন্নবগীদমক রিমসতা শেমগৎ-শাগৎপগী থবক কয়া পায়খৎনবা ৱাফমসু পুখৎখি। কুমজা ২০১২ তা শারম্বা ইনফ্রাষ্ট্রকচর লোইশিল্লমদবা য়াওরি। মসি লোইশিল্লবা মতুংদা অনৌবা প্রোজেক্টশিং পায়খৎনবা মীৎয়েং চঙবা য়াগনি হায়বা ৱাফম য়ুনিয়ন মিনিষ্টরগী মায়কৈদগী থল্লম্মী। হান্না পায়খৎলম্বা থবকশিং নীংথিনা লোইশিনবগী তঙাইফদবা লৈ। রিমসপু হেন্না মাঙজিল থাবা ইনষ্টিট্যুট অমা ওইহন্নবগী মতাংদা অখন্নবা মীৎয়েং থম্নবা ৱাফম তকশিনখি। ষ্টেট অসিদা অতোপ্পা মেদিকেল কোলেজ অমগা লিংখৎপগী তঙাইফদবা ৱাফম অদুসু তকশিনখি হায়নসু মহাক্লা মখা তাখি।

মীফম অদুদা বোর্দ ওফ গভর্ণর রিমস সোসাইটিগী প্রসিদেন্ট ওইরিবা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর হর্স বর্ধননা চ্যের লৌখি। ভাইস প্রসিদেন্ট ওইরিবা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন, বোর্দ মেম্বরশিং, হেল্‌ঠ মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমার, মিজোরামগী হেল্‌ঠ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যের মিনিষ্টর ডা. আর লালথাংলিয়ানা, মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্‌ঠ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যের, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী সেক্রেটরি প্রীতি সুদান, স্পেসল সেক্রেটরি সঞ্জীব কুমার, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর জ র্নেল সিংহ, মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্‌ঠ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যের এন ঈ দিভিজনগী দিরেক্টর বিন্দু টিৱারি, রিমসকী মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট প্রোফেসর সী ঐচ অরুনকুমার, রিমসকী দেপ্যুটি দিরেক্টর কে দৌঙেলসু শরুক য়াখি। বোর্দ ওফ গভর্ণরসকী মীটিং অদুদা এজেন্দা তরেৎ পুথোক্তুনা খন্নখি।

তুংদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ হেল্‌ঠ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যের ডা. হর্স বর্ধননা রিমসকী রেদিওথেরাপি ৱার্দতা চৎতুনা কেন্সর পেসেন্ট কয়াদা অথুম-অহাও য়েন্থোকখি। ক্লিন ইন্দিয়া মিসন প্রোগ্রামগী মখাদা রিমস কেম্পসতা পাঙথোকপা থৌরমদসু মহাক্লা শরুক য়াখি। সেবা সপ্টাহা হায়না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মপোক নুমীৎকা মরী লৈননা পাঙথোকপা লম-তূ লূ-নালহনবগী থৌরমদসু শরুক য়াখি। রিমসকী দিরেক্টর প্রোফেসর এ শান্তা, মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট সী ঐচ অরুনকুমার, বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী হান্নগী প্রসিদেন্ট এম ভোরোতসু থৌরম অদুদা শরুক য়াখি। য়ুনিয়ন মিনিষ্টর হর্স বর্ধননা রেসিদেন্সিএল ষ্টাফ ক্বার্টর অমসু হাংদোক্লমখি হায়নসু পাউ অসিনা মখা তারি।

## লাইনিংথৌ পিশাতাও খুৎহৈবগী থৌনি পাঙথোকপীয়ু : সিকো

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৪ (ঐচএনএস): লাইনিংথৌ পিশাতাও খুৎহৈবগী থৌনিবা থা অসিগী ১৭ তা পাঙথোকপীয়ু হায়না সাউথ ইষ্ট এসিয়া কলচরেল ওর্গনাইজেসন (সিকো)গী পব্লিসিটি সেক্রেটরি থাংজম ইনাওচানা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, মণিপুরগী য়েলহৌমী মীতৈ ফুরুপকী নাৎ অমসুং লাইনিংগী তোপ-তোপ্পা মশক লৈরকই। ইরমদম অসিদা নিংথৌ পামহৈবনা পানবা কুমজা ১৭০৯ গী ওগষ্ট ২৮ গী মতুংদগী হৌরগা নাৎকী মশক্তা চাউনা অকায়বা পীরকখিবনি। মদুগী মহৈনা ঙসিদি লৈবাক্কী থৌরমশিংগী চৎনলোন কায়থরকপা অমদি ফুরুপকী শক্তমদা চাউনা অকায়বা পীরক্লি। কংলৈ খুন্নাইগী নাৎ অমসুং লাইনিংগী শক্তম মাঙশিল্লকখিবা অসিনা মালেমগী লৈমায়দগী ফুরুপ অসিনা কাংখুল মুৎখিবা য়াবগী মীপায়বা লৈরি। কংলৈ খুন্নাইগী শিথরুরবা লোল, নাৎ, চৎনবী, লোনচৎ অমসুং লাইনিংনচিংবা হিঙ্গৎ ঈহৌ কনখৎহনবা হায়বসি কংলৈচা ঐখোয়গী মাঙদা তারবা তঙাইফদ্রবা তৌফম থোকপা ইথৌদাংনি।

কংলৈচাশিংনা ঐখোয় মীতৈনি, ঐখোয় ময়াং আষ্য নত্তে, ঐখোয় ইশাগী ইরোল ইয়েক, লাইনিং ইনাৎকী ওইবা চৎনরোল থৌরম পরেং শুনা লৈজে হায়বা ফাওবা হায়জবা ঙমদনা অনম অহা, তুফক তুফাই চন্দুনা অমদি য়াম্না শোন্থনা মীপাল তাঙবগী অমদি মীগী হৈনবীদা লুপশিন্দুনা লৈরি। ইশাগী ইচাক ইরল কয়া কাউরি। ঐখোয়না ইশাগী খঙফম থোকপা কয়া খঙদ্রি। ঐখোয় ইশাগীদি করিমত্তা লৈজ দবদৌনা মীঙোন্দগী মতৌ তন্নগা হিংবা ফুরুপ ওইনা উবীরি। ঙসি কংলৈচাশিংনা চৎনরোল, ইনাৎ লীচৎতা মীপাল তাঙলি। মরম অদুনা মসিদগী নান্থোকচনবা অমদি হান্নগী লীচৎতা হৌগৎ কাংখৎপা ঙম্নবা হোৎনজবগী ঐখোয়গী হক লৈ হায়বসি নীংশিংবগা লোয়নননা মীকপ থোকপা মতম য়ৌরে। লমগী ষননা মচি শাংহন্নিংবগী হৈনবীসু থাদোকপা মতম ওইরে। হৌজিক ওইরিবা মীপায়নিংঙাই ওইরবা ফীভমশিং অসিদগী সিকোনা কংলৈ খুন্নাইগী খাংতপতা মহুৎ শিঞ্জিনখ্রবা ইনাৎকী থৌরম পরেংশিং অমদি মীতৈগা মরী লৈনবা কয়া নৌহৌননা হিঙ্গৎহন্নবা মীয়ামগা পুন্না খুৎশম্নদুনা চহী খরা অসি খোঙ থাংবা হৌরক্লি।

সিকোনা মালেমদা লৈরিবা মীতৈ খুন্নাইগী ইনাৎকী শক্তম ঙাক্লবা অমদি কন্নবা চঙশিল্লক্লিবা খোঙথাংগী মনুং চন্না নিংথৌ চন্দ্রকীর্ত্তিগী মতমদা হিন্দু লাইনিংগী বিশ্ব কর্ম্ম পুজানা মহুৎ শিঞ্জিনখ্রবা মতম অমগী লাইনিংথৌ পিশাতাও খুৎহৈবগী থৌরম অসি হিঙ্গৎহন্নবা য়াম্না কন্না হোৎনদুনা লাক্লি। কংলৈ মীয়াম্নসু সিকোনা মালেমদা লৈরিবা মীতৈ খুন্নাইগীদমক হোৎনজরিবা লাইনিংথৌ পিশাতাও খুৎহৈবা থৌনি থৌরম অসি হিঙ্গৎনবা হায়দুনা সিকোনা শিল্লগা কুমজা ২০১২ গী জন্যুৱারী ১৬ তা মেজোর খুলদা লৈবা প্রেস ক্লবতা লমদমসিগী অখঙ-অহৈ কয়া অমগা লোয়নননা লাইনিংথৌ পিশাতাওগী মরমদা খন্ন-নৈনবা অমা পাঙথোকখি। মরম অদুনা মালেমগী তোঙান তোঙানবা ফুরুপশিংনা মখোয় মখোয়গী থাজনবী ওইনা খুৎহৈবা ক্রাফটসমেন, আর্টিসান, আর্কিটেক্ট ওইবা লাইশিং লৈবগুম য়েলহৌমী মীতৈশিংগীসু খুৎশা হৈবগী লাই লাইনিংথৌ পিশাতাও খুৎহৈবা লৈজরিবনি। মতৌ অসিগুম্না মালেমগী লৈপাকশিংগী ওইনসু মখোয় মখোয়গী খুৎশা হৈবগী লাই লৈ হায়বসিদা খুদম ওইনা জপানগী অমা-সু-মারা, আফ্রিকাগী মুকুরু অমদি ওগুন, বেবীলোনিয়ানগী মোমমু, গ্রীক লৈপাক্কী হেফাইটস, ইজিপ লৈপাক্কী আমেন হোটেপ, রোম লৈপাক্কী ভুলকান, হিন্দু ময়াংগী বিশ্ব কর্ম্ম অসিনচিংবা অতৈ ফুরুপ কয়া মশা-মশাগী খুৎশা হৈবগী লাই লৈজরি। সিকোনা মীতৈ মীয়ামগীদমক হোৎনজরিবা অসিদা হেন্না মায় পাক্লবা মীয়াম্না কোওপরেসন, মোরেল সপোর্ট পীবীয়ু। হৌজিক খুৎশু খুৎলায় পায়দুনা শুরি নোম্লিবা ইচিল-ইনাওশিংনা ফুরুপগী অরিবা ইনাৎপু হিঙ্গৎ য়োকখৎনবা শরুক অমা ওইনা থা অসিগী ১৭ তা পাঙথোক্কদৌরিবা লাইনিংথৌ পিশাতাও খুৎহৈববু ইরাৎ থৌনিবীয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## ইরাবতকী কুমওনগা মরী লৈননা মাস পাষ্ট কম্পিটিসন পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৪ (ঐচএনএস): চহী খুদিংগী পাঙথোকপগুম থা অসিগী ৩০ দা লুচিংলেন হিজম ইরাবতকী ১২৩ শুবা মপোক কুমওনগা মরী লৈননা মণিপুর ষ্টেট কাউন্সীল ওল ইন্দিয়া ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন্না শীন্দুনা মাস পাষ্ট কম্পিটিসন কোনুং লম্পাক্তা পাঙথোক্লগনি হায়না এ আই এস এফ মণিপুর ষ্টেটকী সেক্রেটরি নাওরেম রবিদাসনা ফোঙদোকখ্রে।

বি টি রোদতা লৈবা এ আই এস এফকী ওফিসতা পাউমীশিংগা উনবদা রবিদাসনা হায়খি, মেগা ইভেন্ট অসিদা কোলেজ, হায়র সেকেন্দরি অমদি হায় স্কুলগী মহৈরোয় নুপা-নুপী কন্টিঞ্জে-ন্টশিংনা শরুক য়াগনি। শক্লাইরবা মাক্সিস রেভল্যুস্নরিগী মফমদা ঈকায় খুম্নবা উৎতুনা সেল্যুট পীগনি। কম্পিটিসনদা শরুক য়াগদবা মহৈরোয়শিংগী মাস পাষ্ট তম্বগী থবক কন্না চত্থনরি। সিনিয়র অমদি জুনিয়র কেটগোরি অনী থোক্লা খায়দোক্তুনা অথোই অহেন তান্নগনি। কন্টিঞ্জেন্ট অহুমদা শেলগী মনা পীগনি।

ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন অসিগী জোনেল কাউন্সীল খুদিংমক নৌহৌননা মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা কন্না চঙশিল্লি। জোনেল কাউন্সীলশিংনা কোল্লিবা এসেমব্লী কনষ্টিট্যুএন্সিশিংদা লৈবা লৈঙাক্কী অমদি প্রাইভেট মহৈলোয়শঙশিংদা মহৈরোয়শিংনা মায়োক্লরিবা প্রোব্লেমশিংদা হেন্না মীৎয়েং চঙশিনগনি। নরেন্দ্র মোদিগী অনীশুবা লৈঙাকনা চৎনহন্নবা হোৎনরিবা অনৌবা এদ্যুকেসন পোলিসী অসি ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন্না য়াদে। ২১ শুবা চহীচা অসিদা মহৈরোয়শিংদা সাইন্টিফিক এদ্যুকেসন অমদি ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজিগী অনৌবা মহৈ-মশিন তন্বীবগী হিরমদা মীৎয়েং চঙদে। য়ুনিয়ন বজেটতা এদ্যুকেসন সেক্তরগী থাদবা শেনফম চহী খুদিংগী ককথরক্লি। লন্নাই মহৈলোয়শঙশিংদা মোদি লৈঙাক্লা অতম্লনা শৌগৎলি। হায়র এদ্যুকেসন্দা মতেং পীরিবা য়ু জি সীবু লোনগী এজেন্সী ওইনা ওন্থোক্লবা হোৎনরি।

লৈঙাক্লসু লন্নাই এদ্যুকেসনল ইনষ্টিট্যুসনশিংদা মপুং ফানা শৌগৎতুনা লৈরি। প্রাইভেট স্কুলশিংনা লৌনিংবা ফি লৌহল্লি। হন্দক্তা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লীদা পুথোকখিবা প্রাইভেট স্কুল রেগ্যুলেসন বিল অথুবদা এক্ট ওন্থোক্লগা লন্নাই স্কুলশিং চৎন-কাঙলোন মতুংইন্না চলাইহনগদবনি। লৈঙাক্কী মহৈ তম্ফমশঙশিংদা অকনবা মীৎয়েং চঙগদবনি। ষ্টেট বজেটতা এদ্যুকেসনগী শেনফম মতিক চানা হাপকদবনি। স্কুল অমসুং কোলেজশিংদা ইনফ্রাষ্ট্রকচরগী অৱাৎপা লৈহল্লোইদবনি। এ সীগী খুদিংমক্কী মোদেল স্কুল অমমম এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টনা শেমগৎনবা থৌরাংলিবসি অফবা খোঙথাংনি। থৌরাং অসিদা থাদরিবা শেনফম অসি মতিক চাদে। তুং কোয়না চত্থগদবা থৌশিল মান্দে। এ আই এস এফ মণিপুর ষ্টেট কাউন্সীলগী এক্টিভ এক্টিভিষ্ট ওইরম্বা খুন্দ্রাকপম রামেশ্বর মহৈরোয় লূপ অসিগা হিরম অমত্তদা মরী লৈনদ্রে। মহাক মহৈরোয় লূপ অসিদগী মতম খরগী মমাঙদগী তান্থোকখ্রবা মীশকনি হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

## ওকিনৱা ইলেক্ট্রিক স্কুটর সো রুম লোঞ্চ তৌখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৪ (ঐচ এন এস): অশংবা মালেম ওইহন্নবগী পান্দমদা ওকিনৱা ইলেক্ট্রিক স্ক্যুটর অমদি দুরা অল্টিমা মোর্দন রোলর দোর সট্টর এক্সপার্ট হায়বা সো রুম অমা ঙসি এদিসনল এস পি (এল ও) শাংবোই গাংতেনা চুড়াচান্দপুরগী সাইয়া হাই দোর, রেংকাই রোদতা হাংদোকখ্রে।

ইলেক্ট্রিক স্কুটর অমদি সো রুম হাংদোকপগী থৌরম অদুদা প্রোপ্রাইটর এন জি চিত্রজিৎনা ফোঙদোকখিবদা, ওকিনৱা ইলেক্ট্রিক স্কুটরগী সো রুম অসি চুড়াচান্দপুরদা অহানবা ওইনা হাংদোকপনি। অতোপ্পা মফম কয়াদসু সব-দিলর সো রুম কয়া হাংদোকখিগনি। ওকিনৱা ইলেক্ট্রিক স্কুটর অসি মৈ ফুল চার্জ তৌবা মতমদা কিলোমিটর ৮০ দগী ২০০ ফাওবা থৌবা ঙম্মী। স্পিদনা ৭০ সী সীনি। চার্জিংগী মতম পুং ২ দগী ৩ ফাওবা ওই। ইলেক্ট্রিক স্কুটরনা পোল্যুসন ফ্রি ওইহল্লি। ইকো ফ্রেন্দলি ওইবা স্কুটরনি। পোল্যুসন থোক্লক্কদবা কয়াদগী কনবদা মতেং ওইগদবা স্কুটরনি হায়রি।

ADMISSION OPEN

ENGLISH & RHYMES COURSES

For

➢ SPOKEN ENGLISH WITH AUDIO AND VIDEO

➢ RHYME TEACHERS TRAINING COURSE

[Rhymes, Computer, Teaching Method, Spoken English etc.]

At

SPOKEN ENGLISH CLASS (SINCE 1986)

Nagamapal Laimayum Leirak, Imphal

Contact No. ☎ 8974642764

HL-P/3944/21/7-20/8

3rd STATE LEVEL TALENT SEARCH SCHOLARSHIP COMPETITIVE EXAMINATION - 2019 (CLASS I TO X)

ORGANISED BY: EDUCITY

Sagolband Tera Tongbram Leikai, Near Oriental College Imphal-795001

Examination Fee Rs. 380/-
Last Date of Submission: 16th October, 2019
Class I to V Sub : Math, English Gram., Science
Class VI to X Sub : Math, Eng. Gram., Science, S.Sc.
Date of Exam: 20th Oct. (Class I–V) & 27th Oct. (Class VI–X) 2019
Timing : 11:00 a.m. to 02:00 p.m.

Marks (Class I to V)

| Sub. | F.M. | P.M. |
| --- | --- | --- |
| Math | 40 | 20 |
| English | 30 | 15 |
| Science | 30 | 15 |

Marks (Class VI to X)

| Sub. | F.M. | P.M. |
| --- | --- | --- |
| Math | 40 | 20 |
| English | 20 | 10 |
| Science | 20 | 10 |
| S.Science | 20 | 10 |

Prizes

- 1st /2nd/3rd Position holdr of each Class will be awarded with scholarship.
- 1st Position-1,000 x 12 months + Certificate
- 2nd Position-800 x 12 months + Certificate
- 3rd Position-600 x 12 months + Certificate
- 4th to 10th Position-Special Gift + Certificate
- Subject Toppers (4 Subject Separately) 1000 each + Certificate
- Award for the best school will be given to the total nos of 1st Position/2nd/3rd Position holder of the said school.
- Scholarship will be awarded only to the student who passed all the four subject of the competition those candidates who failed in any one of the 4 given subjects will not be qualified for the scholarship even if he/she be for subject toppers in any of the 4 subjects.

* Forms available at all the leading book stores and schools of Manipur.

1. Siroi Paper Mart - Singjamei Bazar & Kwakeithel 2. Heemabala Book Store - Canchipur 3. Universal Book Store - Lilong Bazar 4. K.B. Stationery - Wangjing Bazar 5. Mangol Stationery - Kakching Bazar 6. PP Collection & Stationery - Kakching Bazar 7. Boby Book Store - Mayang Imphal 8. M/S Computer - Thongkhong Luxmi Bazar 9. Bross Book Store - Wangoi Bazar 10. Sangai Book Store - Samurou Bazar 11. Prem Book Store - Oinam Bazar 12. I.K. Book Store & Xerox Point - Bishnupur Bazar 13. Tamo Photo Studio - Ningthoukhong Bazar 14. Romee Book Store - Moirang Lamkhai 15. Leima Book Store - Nambol Bazar 16. Sharma Distributor - Yairipok Bazar 17. Phijam Stationery - Chingmeirong Khongnang Ani Karak 18. Leirik Stationery - Khumbong Bazar 19. L.K. Book Store - Lamlong Bazar 20. Compact Service - Khoyathong 21. Taurus Stationery RIMS Gate 22. Shila Book Store - Thoubal Bazar 23. Amar Book Store - Khangabok Bazar

HL-B/5658/14, 15,16,17 to 30

Please Contact: 9612194500